# চাইনাগী টন ২৫ গী কন্ট্রোল তৌদ্রবা রোকেট ইন্দিয়ন ওসিন মথক্তা কায়খ্রে, থৌদোক অদুবু নাসানা ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে



ৱাশিংতন, জুলাই ৩১ (এজেন্সী): হন্দক্তা লোঞ্চ তৌখিবা চাইনিজ রোকেট অমগী টন ২৫ রোম ওইগদবা স্পেস জঙ্ক ইন্দিয়ন ওসিন মথক্তা কায়দুনা মলেসিয়াগী বোনিও ঈথৎতা লৈবা সরাৱাট ষ্টেটকী মনাক্তা তাশিনখ্রে।

য়ুএস স্পেস কম্মান্দনা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা ত্বিটর পোষ্ট অমগী খুত্থাংদা চাইনাগী লোং মার্চ ৫বি (সিজেদ-৫বি) রোকেট নুমিৎযুংবা মতুং মিনিট ৪৫ চৎপা মতমদা ইন্দিয়ন ওসিন মথক্তা অমুক চঙশিনখ্রে হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

রি-এন্ট্রি অদুগী টেক্নিকেল এস্পেক্টশিং হায়বদি অকায় অতোইশিং চাইথোক্তুনা করম করম্বা মফমশিংদা তাশিনবগে হায়বসিগী মখা তাবা অকুপ্পগী মতাংদা পি আর সিদা য়েংসি হায়না পোষ্ট অদুদা পনখি।

চাইনাগী মেন স্পেস এজেন্সিনা সোসল মেদিয়া প্লেটফোর্ম ৱেবোদা ফোঙদোকখিবদা রোকেট অদু সারাৱককা নক্লবা মফমদা অমুক তাশিনখিবগা লোয়ননা মদুগী অয়াম্বা শরুক মখাদা তানা তানা চাকথেকখ্রে।

নাসাগী এদমিনিষ্ট্রেটর বিল নেলসন্না ত্বিট অমদা হায়খি, মদুদি চাইনিজ লোং মার্চ ৫ বি রোকেট আর্থতা অমুক তারকপগী মতাংদা পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনানা অকক্লবা ট্রাজেক্তরি ইনফোর্মেসন ঐখোয়দা নত্ত্রগা অতৈদা খঙহল্লকখিবা লৈতে।

স্পেসকী জর্নি পাঙথোক্লিবা লৈবাক পুম্নমক্না হান্নদগী চৎনরক্লবা পেকেজশিং শুংশোই শোইদনা ঙাক্কদবনি অমসুং অকায় অতোইশিং তাশিল্লক্তুনা অমাঙ অতা অমদি অতৈ খুদোংথীবা কয়া থোকহল্লক্কদবশিং থাজনিংঙাই ওইবা মওংদা প্রিদিক্সন পীবা য়াননবা অসিগুম্বা মখলগী ইনফোর্মেসন মাঙজৌননা মরী লৈনবশিংদা পীগদবনি। মরু ওইনা লোং মার্চ ৫ বিগুম্বা হেভি-লিফ্ট ভেহিকলশিং অসি নোংথক্তা কায়বা তারবদি মদুগী অকায় অতোইশিং তারকপা মতমদা মীশি মীনা অমদি প্রোপর্টি মাঙহন তাকহনবা য়াবগী রিস্ক চাওনা লৈ হায়না নাসাগী চীফ অসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি স্পেস জর্নিশিং পাঙথোক্লিবা লৈবাকশিংনা অসুম্না থৌদাং মশক খঙনা স্পেসপু শীজিন্নবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। মসিনা আর্থতা লৈরিবা মীয়ামদা অশোই অঙাম থোকহন্দবা ঙমগনি। মিটর ৫৩.৬ ৱাংবা স্পেস দেব্রি তারক্লিবদু জুলাই ২৪ দা লোং মার্চ ৫ বি লোঞ্চ তৌখিবদুগা মরী লৈনৈ।

রোকেট অসি চাইনাগী কিয়াংগোং স্পেস ষ্টেসনদা ৱেনিটয়ান এক্সপরিমেন্ট মোদ্যুল দেলিভর তৌনবগীদমক্তা থাগৎখিবনি। মসি চাইনাগী অহুমশুবা লোং মার্চ ৫ বিনি অমসুং কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বগী ৱাংমদা লেন্দিং তৌরকপসু অহুল্লক শুবনি। মসিগী মমাঙদা কন্ট্রোল তৌবা য়াদবমখৈ লোং মার্চ রোকেটশিং রি এন্ট্রি তৌখিবগী থৌদোকশিং কুমজা ২০২০-২১ দা থোকখি।

অসিগুম্বা অচৌবা রোকেট রি এন্ট্রি তৌরকপা মতমদা আর্থকী এটমোস্ফিয়রদা চাকপা ঙমদে। মালেমগী ওইনা চৎনরিবা স্পেস ফেরিংগী কাঙলোন মতুং ইন্না অচৌবা ওবজেক্ট অমগী মাসকী চাদা ২০-৪০ দি নোংথক্তগী তারকপা মতমদা গ্রাউন্দ য়ৌগনি। তৌইগুম্বসুং মসি ওবজেক্ট অদুগী দিজাইনগী মখাসু পোল্লি হায়রি।

# অল-সদরগী খোঙলোইশিংনা ইরাক্কী পার্লিয়ামেন্টতা প্রোটেষ্ট তৌবা হৌখ্রে



বাগদাদ, জুলাই ৩১ (এজেন্সী): ইরাক্কী সিয়া ক্লারিক মুক্তাদা অল-সদরগী খোঙলোই চা কয়ানা সেন্ট্রেল বাগদাদতা লৈবা ইরাক্কী পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিংগী মনুংদা ইফোঙ ফোঙনা সিট-ইন-প্রোটেষ্ট হৌখ্রে।

অমরোমদা, মহাক্কী পোলিটিকেল ওপোনেন্টশিংনসু সপোর্টরশিংদা কাউন্টর-প্রোটেষ্ট অমা লাংনবা শেম শানবা আপিল তৌখ্রে।

অল-সদরগী ওফিসকী হেদ ইব্রাহিম অল-জাবেরিনা থাংজ নুমিত্তা মহাক্কী ফেসবুক পেজদা অসুম্না ইখি, মদুদি মীয়াম্না পার্লিয়ামেন্টতা ইফোঙ ফোঙনা ফমজিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌনবা লেপখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা অল-সদরগী খোঙলোই চা কয়ানা গভর্ণমেন্টগী মরু ওইবা হেদ ক্বার্টর্স, টোপ পোলিটিকেল লিদর খরগী রেসিদেন্টশিং অমসুং ফোরেন এম্বেসি খরা লৈরিবা গ্রিন জোনদা নম্ফুদা চঙশিনবগা লোয়ননা নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা অনীরকশুবা ওইবা ইরাক্কী পার্লিয়ামেন্টতা চঙশিনখি।

ইরাক্কী হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি দিমোন্সট্রেটরশিং অদুবু গ্রিন জোনদা চঙবা থিংননবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হোৎনবদা মীওই ১০০ অমসুং সেক্যুরিটি পার্সনেল ২০ অশোক অপন নঙখ্রে।

টিভি চেনেলশিংনা শন্দোকপা অমদি সোসল মেদিয়াদা সার্কুলেট তৌবা ভিদিওশিংদা দিমোন্সট্রেটর কয়ানা পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিং মনুংদা ইরাক্কী ফিরালশিং পায়দুনা হায়বা অমসুং মখোয়গী লূচিংবা মুক্তাদা অল-সদরবু শৌগৎপগী খোল্লাউশিং লাউখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা ইরাক্কী প্রসিদেন্ট বরহম সালিনা মীয়ামদা ইংনা চিক্না লৈনবা অমসুং লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটি অমদি তং তাবা ফিভম কায়হন্দনবা দাইলোগ চথনবা আপিল তৌখি।

টেলিভাইস স্পিচ অমদা প্রাইম মিনিষ্টর মুষ্টাফা অল-কাদিমিনা মীপুম খুদিংমক্তা মরা তপ্পা ফিভম লিংনবা য়ারিমখৈ পুক্লিং ফাথনবা, মরম চাদবা থবক অমত্তা তৌদনবা লোয়ননা মুক্নবা অমদি খৎন চৈনবগী থৌওংশিং লেপ্পনবা আপিল তৌখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি মীয়াম্বু ইরাং হৌহন্নবা শিল্লিবা কাঙবুশিংনা মীপুম খুদিংমকপু অৱাফমদা শোয়দনা তাহনগনি। মরম অদুনা পোলিটিকেল ব্লোকশিংনা ইরাক অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক নিগোসিএসন চথদুনা প্রোব্লেমশিং লৈখায় তানবা হোৎনগদবনি।

# ন্যু য়োর্ক সিটিগী ওফিসলশিংনা মঙ্কিপোক্সপু পব্লিক হেল্ঠ ইমর্জেন্সিনি হায়না লাউথোকখ্রে



ন্যু য়োর্ক, জুলাই ৩১ (এজেন্সী): ন্যু য়োর্কতা মঙ্কিপোক্স ভাইরস লেপ্তুনা শন্দোরকপগা লোয়ননা সিটিগী ওফিসলশিংনা সিটি অসিবু লাইচৎ অদুগী ইপিসেন্টরনি হায়রদুনা পব্লিক হেল্ঠ ইমর্জেন্সিনা লাউথোকখ্রে।

মেয়র ইরিক অদামস অমসুং হেল্ঠ কম্মিস্নার অস্বিন ভাসননা ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা থাংজ নুমিত্তা হায়খি, মদুদি সিটি অসিগী মীওই লাক্ষ ১ লিশিং ৫০ ফাওবা লায়না অসিগী ইনফেক্সনগী রিস্ক লৈগনি হায়না পাবা য়াই।

দিক্লারেসন অসিনা ওফিসলশিংবু লায়না শন্দোকপগী চাং হন্থনবগীদমক সিটি হেল্ঠ কোদকী মখাদা ইমজেন্সি ওর্দরশিং ইস্যু তৌবা অমদি কোদ প্রোভিজনশিং এমেন্দ তৌদুনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহনবা ঙমহনগনি।

হৌখিবা নুমিৎ নীনি অসিদা ন্যু য়োর্ককী গভর্ণর কাথি হোসলনা ষ্টেট দিজাষ্টর ইমর্জেন্সি দিক্লারেসন অমা ইস্যু তৌখি অমসুং ষ্টেট হেল্ঠ দিপার্টমেন্টনা মঙ্কিপোক্সপু মীয়ামগী হেল্ঠতা অচৌবা থ্রেট অমা ওইরক্লে হায়খি।

সেন্টর্স ফোর দিজিস কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী কম্পাইল তৌবা দেটা মতুং ইন্না ন্যু য়োর্কতা ইরাই নুমিৎ ফাওবদা মঙ্কিপোক্সকী কেস ১৩৪৫ দিটেক্ট তৌখ্রে। কেস ৭৯৯ গা লোয়ননা কালিফোর্নিয়ানা লায়না অসিগী কেস মশিং য়াম্বদা অনীশুবা ওইরি।

অদামস অমসুং বাসননা ষ্টেটমেন্ট অদুদা হায়, লায়না অসি কন্ট্রোল তৌনবগী ভেক্সিনশিং হেক ফঙলকপগা ঐখোয়না ফেদরেল পার্টনরশিংগা খুৎশম্নরগা অহেনবা দোজশিং পায়বা ঙম্ননবা হোৎনগনি। লাইচৎ অসি লৈবাক্কী অমদি মালেম অনীমক্কী ওইনা অরৈবা রিছোর্সশিং শীজিন্নদুনা য়াম্না থুনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎতুনা লাকশিনবা মথৌ তাই।

পব্লিক হেল্ঠ ইমর্জেন্সিগী দিক্লারেসন অসিনা হৌজিক মঙ্কিপোক্স লায়না শন্দোরকপগী ৱাফম তরাইনা লৌবা য়াদ্রে হায়বসি তাকই।

পনবা য়াবদি ৱার্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন্না মঙ্কিপোক্সপু জুলাই ২৩ দা গ্লোবেল হেল্ঠ ইমর্জেন্সি অমনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। মতম অমদা তাঙনা থেংনবা লায়না অমা ওইরম্বা মঙ্কিপোক্স অসি চহী কয়া অফ্রিকাগী ময়াই অমসুং নোংচুপ থংবা শরুকশিংদা মশিং য়ামদনা শন্দোক্লম্বদগী হৌজিক মালেমগী মফম কয়াদা শন্দোরক্লিবনি।

মমাঙদা লায়না অসি অফ্রিকাগী ৱাংমদা মশিং য়াম্না শন্দোকখিবা লৈতবদা নত্তনা মীয়াম মরক্তা পাক শন্না শন্দোকখিবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা মেদা ওথোরিটিশিংনা লায়না অসি য়ুরোপ, নোর্থ অমেরিকা অমসুং মালেমগী অতৈ মফমশিংদা মশিং য়াম্না দিটেক্ট তৌবা হৌখিবনি। হৌখিবা মেদগী হৌজিক ফাওবদা মালেমগী লৈবাক ৮০ রোমদা মঙ্কিপোক্সকী কেস ২২,০০০ হেন্না থেংনরে অমদি অফ্রিকাদা লায়না অসিনা মীওই ৭৫ রোম শিহনখ্রে।

# পিওংয়াংগী ন্যুক্লিয়র থ্রেটশিংগী মায়োক্তা অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎপগী ৱাফম য়ান্নখ্রে



সিওল, জুলাই ৩১ (এজেন্সী): নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল থ্রেটশিংগী মায়োক্তা মিলিটরিগী ওইবা শেম শাবগী থৌরাংশিং অমদি পোলিসি হেন্না কনশিলহন্নবা য়ুএস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স চীফশিংনা ৱারেপ লৌরে হায়না সিওলদা ওফিসল অমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোরক্লি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ওফিসল অদুবু পল্লদুনা হায়, ইরাই নুমিত্তা ৱাশিংতনদা ৱারী শান্নখিবদা সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর লি জোং-সুক অমসুং য়ুএসকী মহাক্কী লেঙমান্নবা লোইদ ওষ্টিন্না অথুবা মতমদা মীচং লৈবাক অনীসিগী অৱাংবা থাক্কী এক্সটেন্দেদ দিটরেন্স ষ্ট্রেটেজি এন্দ কন্সলটেসন গ্রুপ (ইদিএসসিজি) মীফম অমুক হন্না হৌনবা অমদি টেবল টোপ এক্সর্সাইজ (টিটিএক্স) সু কনশিলহনবা হায়না লেপ্পখি।

সিওল অমসুং ৱাশিংতন্না মীচং লৈবাকশিং অসিগী ভাইস মিনিষ্ট্রিএল দিফেন্স অমসুং ওফিসলশিংগী গেদরিং অমা ওইরিবা (ইদিএসসিজি) অমুক হন্না মীফম পাঙথোকপগী ৱাফম খন্নরকখিবনি।

কন্সলটেন্সি গ্রুপ অসি পিওংয়াংগা দিপ্লোমেটিক মরী শাগৎনবা হোৎনরিঙৈ মতম কুমজা ২০১৮ দা সস্পেন্দ তৌখিবনি। ইদিএসসিজি অসি সিওলনা অমেরিকাগী এক্সটেন্দেদ দিটরেন্সকী ক্রেদিবিলিটি ফগৎহনগনি হায়না থাজবা থল্লিবা মরু ওইবা পোলিসি দাইলোগ অমনি। গ্রুপ অসিগী পান্দমদি এসিয়াদা লৈরিবা য়ুএসকী মীচং অসিবু য়েক্লবশিংগী অকন অরিং শীংবগী থৌওংশিংদগী ঙাকথোক্লবা ন্যুক্লিয়র ওপসনশিং য়াওনা মখল মখা কয়াগী মিলিটরি কেপেবিলিটিশিং মোবিলাইস তৌবা অসিনি।

লাক্লিবা সেপ্টেম্বরদা কন্সলটেন্সি গ্রুপ অসিগী মীফম অমুক পাঙথোরকপা মতমদা মদুনা নোর্থ কোরিয়াদা দিটরেন্সকী মেসেজ অমা পীগনি হায়না ওবজার্বরশিংনা হায়রি।

পোলিসি কোওর্দিনেসনগা লোয়ননা লৈবাক অনীনা মখোয়গী মিলিটরি ট্রেনিং কনখৎহন্নবসু হোৎনরি।

# য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমুক হন্না কোভিদ ১৯ পোজিটিব ওইরে



ৱাশিংতন, জুলাই ৩১ (এজেন্সী): য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন আইসোলেসন তৌবগা লোয়ননা লায়েংবা লোইরবা মতুং শুপ্নগী নুমিৎ খরনিগী মনুংদা টেষ্ট তৌবদা অমুক হন্না কোভিদ ১৯ পোজিটিব ওইরে।

মহাক্কী ডাক্তরগী মতুং ইন্না মহাক রিবাউন্দ টেষ্ট অমা ওইনা টেষ্ট তৌবদা কোভিদ পোজিটিব ওইরল্লে। হ্বাইট হাউসকী ফিজিসিয়ন কেবিন ও কোনরনা থাংজ নুমিত্তা মেমো অমদা অসুম্না ইখি, মদুদি প্রসিদেন্ট অসি হান্না চেনখিবা কোভিদকী লাইওংশিং অমুক হন্না থেংনবা লৈতে অমসুং মহাক মশা নুংঙাইতবগী ফিভম অমত্তা লৈতে। তৌইগুম্বসুং টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইরম্বা অসিনা মরম ওইদুনা আইসোলেসনগী প্রোসিজর অমুক হন্না চথরগনি।

হৌজিক্কী ওইনদি মঙোন্দা অমুক হন্না লায়েং চথনিংঙাই ওইদে। অদুবু ঐখোয়না মখা তানা মহাক ওবজার্ব তৌনবা থমখিবনি হায়না ফিজিসিয়ান অসিনা মখা তাখি।

মশাগী চহী ৭৯ শুরবা বাইদেন জুলাই ২১ দা কোরোনা ভাইরস পোজিটিব ওইখিবা মতুং লায়েং চথরক্লবা মতুং চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিব ওইখিবনি। ভেক্সিন মপুং ফানা কাপ্পগা লোয়ননা বুষ্টর দোজ অনীরকসু কাপ্লবা প্রসিদেন্ট অসি ফাইজরনা পুথোকপা এন্টি ভাইরেল থেরাপি অমা ওইরিবা অমসুং কোভিদ ১৯গী পেসেন্টশিং লায়েংবদা শীজিন্নবা পেক্সলোবিদ থাখি। ও কোনরগী মতুং ইন্না পেক্সলোবিদ শীজিন্নদুনা লায়েংবা পেসেন্ট খরদা অমুক হন্না কোভিদ পোজিটিব ওইবা য়াবগী পোটেন্সিএল লৈ।

# কেন্টক্কীগী ঈশিং ঈচাওদা মীওই ২৫ শিখ্রে



ফ্রেঙ্কফর্ট, জুলাই ৩১ (এজেন্সী): য়ুএসকী কেন্টক্কী ষ্টেটকী নোংপোক থংবা শরুক্তা নোং কন্না চুবদগী থোক্লকখিবা ঈশিং ঈচাওদা শিখিবা মী মশিং ইমুং অমগী অঙাং মরি য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ২৫ শুরে হায়না ষ্টেট অসিগী গভর্নর এন্দি বেসিয়রনা লাউথোকখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, য়ামদ্রবদা মীওই তরা হেন্না থীবা খঙখিদ্রে অমদি ষ্টেট অসিগী ঈশিং থুল্লবা মফম কয়া চঙবা য়াদনা লৈরি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা মী শিবা হেনগৎলক্কনি হায়বগী অকিবা লৈ হায়না গভর্ণরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি হন্দক্কী ঈশিং ঈচাও অসিনা শোকহল্লবা কম্যুনিটিশিংগী মাঙ তাকখ্রবশিং অদু নৌনা অমুক শেমগৎপদা চহী কয়া চঙবা য়াই।

কেন্টক্কী পৱারনা হায়রি, মদুদি থাংজ নুমিৎ ফাওবদা ষ্টেট অসিদা কষ্টমর লিশিং ১৬ পৱার ফঙদনা লৈ। জুলাই ২৮ দা বেসিআরনা কেন্টক্কী অপুন্বগী ওইনা ষ্টেট ওফ ইমজেন্সি লাউথোকখি অমসুং খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং নঙলবা মফমশিংদা মতেং পাঙননবা মহাক্না নেসনেল গার্দতা আপিল তৌখি।

ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রবশিংগী লৈফম ওইননবা জুলাই ২৯ দা ষ্টেট অসিগী পার্ক অহুম হাংদোকখি। কেন্টক্কীদা নত্তনা ৱেষ্ট ব্রিজিনিয়া ষ্টেটশিংগী মফম খরদসু ঈচাও থোক্লি। ৱেষ্ট ব্রিজিনিয়াগী গভর্ণর জিম জষ্টিসনা কাউন্টি তরুক্কী ওইনা ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা রিকভরিগী থবকশিংদা মতেং পাঙনবগী ফেদরেল ফন্দিং লাউথোক্লিবা দিজাষ্টর দিক্লারেসন অমা এপ্রুভ তৌখ্রে। কেন্টক্কী নোংপোক থংবা লমদম শীন থুংনা ঈচাওগী ৱার্নিংশিং মখা তানা চৎনহন্দুনা লৈরি।

ৱেদর ফোরকাষ্টিং সার্ভিস এজেন্সি (এক্যু ৱেদর) না পীবা ফোরকাষ্ট অমগী মতুং ইন্না কেন্টক্কী তুরেলশিং চয়োল অসিগী অরোইবা শরুক্তা নোং পুবা অকনবা নুংশিৎ মখা তানা শিৎচিল্লকপা য়াবগী ফিভম লৈবনা মীয়াম্না মীকুপ নাহুমশিংনা লৈবা মথৌ তাই।

# পোর্টুগলনা রেকোর্দ ওইবা মওংদা খ্বাইদগী শাথিরবা ঈকংগী ফিভম মায়োক্নরি



লিস্বোন, জুলাই ৩১ (এজেন্সী): হৌখিবা জুনদা পোর্টুগলগী লম চাদা ৬৭.৯ দা খ্বাইদগী শাথিবা ঈকংগী ফিভম থেংনখিবগা লোয়ননা লম চাদা ২৮.৪ দনা কা হেনবা ঈকংগী ফিভম অমদি লম চাদা ৩.৭ না ময়াই ওইরকপা ঈকংগী ফিভম থেংনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা শাথিরবা ঈকংগী ফিভম মায়োক্নরক্লি হায়না পোর্টুগিষ্ট ইন্সটিট্যুট ফোর সি এন্দ এটমোস্ফিয়র (আইপিএমএ) না হায়রি।

থাংজ নুমিত্তা ইন্সটিট্যুট অসিনা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ১৯৩১ দা লৈবাক অসিদা ঈকংগী ফিভম থেংনবা হৌখিবদগী হৌজিক থেংনরিবা অসিনা খ্বাইদগী কংবা চহী হায়বদু ওইরি। আইপিএমএগী মতুং ইন্না পোর্টুগলগী ঈকংগী ফিভম চহী অমরোমগী মমাঙদা কনশিল্লকপা হৌখি অমসুং নিংথম থাগী মতমদা ফাওবদা লৈবাক অসিগী কন্টিনেন্টল টেরিটরি অপুন্বা শাথিরবা ঈকংগী ফিভমদা লৈখি।

মখা তানা ইন্সটিট্যুট অসিনা হায়রিবদি কা হেন্না শাবগী ফিভম হৌজিকসু মখা তানা লৈবনা মরম ওইদুনা পোর্টুগিষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মঙা ওগষ্ট ১ ফাওবা ওরেঞ্জ এলর্ট ইস্যু তৌদুনা লৈরি। ওরেঞ্জ এলর্ট অসি অহুমগী স্কেল অমদা অনীশুবা খ্বাইদগী শাথিবা লেভেলগী এলর্টনি।

নেসনেল ইমর্জেন্সি এন্দ সিভিল প্রোটেক্সন ওথোরিটি (এএনইপিসি) না থাংজ নুমিত্তা হ্যুমেদিটিগী চাং নেম্বনা মরম ওইদুনা মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপা য়াবগী দেঞ্জরগা মরী লৈননা ৱার্নিং অমা ইস্যু তৌখি।

লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ঈশিং ৱাৎতনা শীজিন্নবা ফঙহনগনি হায়বগী থাজবা পীরদুনা পোর্টুগিষ্ট গভর্ণমেন্টনা ইনর্জি জেনরেসন অমসুং ইরিগেসনদা ঈশিং শীজিন্নবদা লিমিট থম্বগা লোয়ননা ঈশিং শীজিন্নবগী থবকশিং মোনিটর তৌনবগী থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে। গভর্ণমেন্টনা রিজার্বরশিং অমসুং দামশিংদা ঈশিং হেন্না তুংহন্নবা অমদি ইরিগেসনদা ঈশিং সেভ তৌবা য়ানবগী প্রিসিজন টেক্নোলোজিশিং ফগৎহন্নবসু ৱারেপ লৌখ্রে।

# অফঘানিষ্টানগী হ্যুমেনিটেরিয়ন ওপরেসনদা ফন্দ ৱাৎপগী প্রোব্লেম মায়োক্নরে

কাবুল, জুলাই ৩১ (এজেন্সী): অফঘানিষ্টানদা হ্যুমেনিটেরিয়ন ওপরেসনশিং মখা চত্থনবা হোৎনবদা ফন্দ ৱাৎপগী প্রোব্লেম অমা মায়োক্নরক্লে হায়না ৱার্ল্ড ফুদ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু এফ পি) না ফোঙদোকখ্রে।

অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা দব্লিয়ু এফ পিগী স্পোক্স মেন ৱাহিদুল্লা অমানিনা ফোঙদোকখিবদা ওর্গনাইজেসন অসিনা মথংগী থা তরুক্কী ওপরেসনশিংগীদমক্তা দোল্লর মিলিয়ন ৯০০ হেন্না মথৌ তাই। কুমজা ২০২২ হৌরকপদগী ওর্গনাইজেসন অসিনা অফঘান মিলিয়ন ১৯ রোম মতেং পাঙখ্রে। তেঙবাংশিং অদুগী মনুংদা চান থক্লবা পোৎলমশিং অমদি শেল য়াওরি।

অমানিনা মখা তানা হায়খিবদা চহী অসিগী অহানবা উননা লম্বী কয়া থিংজিল্লকপা য়ারিবা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা নিংথম থা য়ৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা চান থক্লবা পোৎলম মেট্রিক টন ১৫০,০০০ ফঙহন্নবগীদমক দোল্লর মিলিয়ন ১৭২ য়াম্না থুনা মথৌ তারি। চৈরকসিদা কেপিটেল কাবুলগী মীওই কয়ানা এফ ওর্গনাইজেসন অসিগী থবক্তা ট্রান্সপরেন্সি ৱাৎলি হায়না কমপ্লেন্ট তৌখ্রে।

# এস্পিনাজকী চার্জদা ইরানন্না স্বিদিস সিটিজন ফাখ্রে



টেহরান, জুলাই ৩১ (এজেন্সী): হন্দক্তা স্বিদিস সিটিজন অমা এস্পিনাজকী চার্জদা ফাখি হায়না ইরানগী ইন্টলিজেন্স মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, দিটেনি অদু মমাঙগী মহাক্কী ইরান খোঙচৎ কয়াদা ঈ পাউ ফাওননবা হোৎনবা য়াওনা চিংননিংঙাই ওইবা থৌওংশিং উখি।

মীওই অসিনা ইরানন্না য়েংশিন্দুনা লৈরিবা চিংননিংঙাই ওইবা য়ুরোপিয়ন অমসুং নন য়ুরোপিয়ন ইলিমেন্ট কয়াগা পাউ ফাওনখি। সস্পেক্ট অসি অতোপ্পা য়ুরোপিয়ন স্পাই অমা ফাখিবগা লোয়ননা থা খরগী মমাঙদা ইরানদা চঙলকখিবনি। মহাক্কী মিশনদি মমাঙদা ফাখিবা স্পাই অদুগী মশক করম্না খঙখিবনো অমদি মিনিষ্ট্রি অসিনা ইনফোর্মেসন কয়াম ফঙখ্রবগে হায়বসি খঙদোক্নবা হোৎনবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

ফারবা মীওই অদু ইরানদা লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ইজরেলদা চৎখিবগী হিষ্ট্রিসু লৈ হায়না সস্পেক্ট অদুগী মমিং পন্দবিদা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা জুনদা স্বিদিস কোর্ট অমনা হান্নগী ইরানিয়ন ওফিসল অমবু কুমজা ১৯৮০ গী মতুং চহী খরগী মতুংদা ৱার ক্রাইম অমসুং মী হাৎপগী থৌদোকশিংদা চেন্নবগী মরালদা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখিবনি।

অমরোমদা, স্বিদিস কোর্টনা শীরিবা মরালশিং অদু ইরানিয়ন কনভিক্ট অসিনা রিজেক্ট তৌখিবনি।

# য়ুক্রেনগী সিভিলিয়নশিং দোনেট্স থাদোক্নবা জেলেন্সকিনা খঙহনখ্রে

কিভ, জুলাই ৩১ (এজেন্সী): রসিয়ন ফোর্সশিংনা য়ুক্রেনগী দোনেটস রিজনদা লান কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা হৌজিকসু কিভনা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরিবা লমদম অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্কী মফম খরদা মখা তানা লৈরিবা সিভিলিয়নশিং মফম অদু থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা চৎননবা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা আপিল তৌখ্রে।

থাংজ নুমিত্তা লৈবাক মীয়ামদা জেলেন্সকিনা ভিদিও এদ্রেস অমগী খুত্থাংদা হায়খি, মদুদি ইষ্টর্ন দোনেটসকী মফম খরদা মীওই লিশিং কয়া লৈরি। অঙাং লিশিং কয়া হৌজিকসু মখা তানা মফমশিং অদুদা লৈরি। তৌইগুম্বসুং মফম অদুগী সিভিলিয়ন কয়া লান কনশিল্লক্লবসু শাফগদবা মফমশিংদা চৎননবা ফিভম লৈতে। তৌইগুম্বসুং হৌজিক ফিভম লুশিল্লকপগা লোয়ননা সিভিলিয়নশিংনা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎপা মথৌ তারে।

হিরম অসিগী মতাংদা থুনা ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা দোনেট্স রিজনদগী মী হেন্না চেন্থোকপনা খ্বাইদগী অফবা ৱারেপ ওইগনি।